এডিটোরিয়েল

[illegible]

খোঙ লম্বীফাওবা খোপচিল্লকপা

মরী লৈনবা ওথোরিটিনা থওইদবদগী থোরকপা থৌওংনি

মীওইবনা চাউখৎপগী থাক ৱাংখৎলক্লিবা মখৈ হকশেলদা হেন্না-হেন্না কিনীংঙাই ওইরক্লি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি খোঙনা চৎপগী মহুত্তা মখল-মখা কয়াগী ইঞ্জিন পানবা গাড়ীশিংনা শিনখিবা, মীওইবগী পাঙ্গলনা তৌগদবা থবকশিং মেছিননা তৌখিবা কয়া অসিননি হায়বা য়াই। মালেমগী ওইনা মীওইবা ঐখোয়না শূ- নোমখিদবা, মেছিন্না অয়াম্বা থবকশিং নোমখিবদগী লেঙ-ওৎপগী চাং শাথিনা হন্থখ্রে। মসিনা মীওইবগী হকশেলদা কীনিংঙাই ওইরকপগী মরমনি। খোঙনা চৎপা হায়বসিনা হকচাংগী লেঙ-ওৎপগী চাং হেনগৎলকহনবতা নত্তনা হকচাংগী উনশা খুদিংমক মথৌ তৌহল্লি। ফমজিন্দুনা লৈরম্বা ঈ ফাওবা মহি লাংথোকহনবা ঙম্মী। অসুম্না হকচাংগী নুং অমসুং পালদা ফরবা শাজেল অমা ওইদুনা মীওই অমগী পুন্সি শাংহল্লি অমসুং অনা-অয়েক য়াওহন্দনা মশা-মউ তিক-তিক লাওনা লৈহল্লি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা ইঞ্জিন পানবা গাড়ী তোংদুনা চৎপগী মহুত্তা খোঙনা চৎপা য়াবা মফমশিংদা খোঙনা মহুৎ শিল্লগদি মীওই অদুগী মশা-মউ ফহনবতা নত্তনা পেট্রোল নৎত্রগা দিজন লৈবগী চাদিং হন্থহল্লি। মসিগীসু মথক্তা পেট্রোল অমসুং দিজন হায়বসি লৈনুংদগী ফংবা লোয়বা নাইবা পোৎশকনি। মহুৎ শিনবা য়াবা লৈত্রিবা পোৎলমশিং অসি ঐখোয়না লিক্লা শীজিন্নবা হায়বসি তঙাইফদবা থৌদাংনি। মরম ময়াম অসি য়েংলগা চাউখৎলবা লৈবাকশিংদদি ফুটপাট (খোঙ লম্বী) নীংথিনা শেম্নগা থম্মী। গাড়ীগী তোখাইবা লম্বী পীদুনা মফম খুদিংমক্তা খোঙ লম্বী পী। হায়রিবা খোঙ লম্বী অসিদা কনাগুম্বা অমত্তনা মরন্নাই ওইবা মওংদা তৌনিংবা তৌবা য়াদে। লম্বী অদু পব্লিক প্রোপর্টিনি। মালেমগী অতৈ মফমশিংদা তৌবগুম ইন্দিয়াগী মফম অয়াম্বদসু খোঙ লম্বী থম্লে। অদুবু মণিপুরদদি খোঙ লম্বী থম্লিবসি মমিং খক্তগী ওই। খোঙনা চৎচবা পাম্বা মীয়ামদদি ওন্থোক্লা খুদোং চাহনখিদে।

ইম্ফাল সিটিগী মরু ওইবা মফম কয়াদা খোঙ লম্বী লৈ। হায়রিবা খোঙ লম্বীশিং অসি মীয়াম্না চৎননবা থৌওইনা শেল থাদরগা শেম্লিবনি। অদুবু দুকান মপুশিং অমসুং লন্নাই মীওইশিংনা খোঙ লম্বীশিং অসি মখোয় মখোয়গী লল্লোনপোৎ পৈফমশিং ওইনা ওন্থোরকই। করিগুম্বা মতমদা গাড়ী ফাওবা খামজিন্দুনা মীয়ামগী চখোক-চৎশিনগী মফম পীদে। পাউনা বাজার অমসুং থঙ্গাল কৈথেলনচিংবদা লৈরিবা ফুটপাট অয়াম্বা মী চৎপা য়াননবা লৈঙাক্লসু নীংথিনা শেমজিন্দে। ফুটপাট ময়া নক্লা ট্রান্সফোর্মর খিঞ্জিনগনি। শম্বল নীংথিনা খাদবা অমসুং কোকথক্তা মী শিবা য়াবা ইলেক্ট্রিক্ট টারাশিং পুরগা মখাদুদা মীওইবা ঐখোয়না লীৎলগা চৎপা হায়বসি কিনিংঙাই ওইবনা লম্বী খরদসু ফুটপাট লৈবগী কান্নবা লৈহন্দে। খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাইতবা অমনা দুকান মমাঙদা দুকান ফন্নিবা কাঙবুনা মখোয়গী পোৎ য়োনবা নুংঙাইননবগীদমক নো পার্কিং থাজিল্লগা থম্মী। অতৈ মফম খরদনা শেল লৌরগা পার্কিং ওইহল্লি। নো পার্কিং থাজিনবা মফম অদু মরী লৈনবা ওথোরিটিদগী অয়াবা লৌরগা কাঙলোন অমগী মখাদা চখরিব্রা হায়বদুসু লৈতে। মখোয়না পুজরকপা গাড়ী নৎত্রগা পোৎ লৈবা লাকপা মীগী চঙবা য়াননবা মফম শেম্বগীদমক মশানা মতীক-ময়াই পুথোকচরগা নো পার্কিং থাজিনবনি। মসিনা দুকান মপুশিং অদুদা কান্নবা পীবদি য়াই অদুগা মীচম মীয়ামদদি থোইনা কান্নবা পীদে। থৌওং অসিমক ফুটপাট নৎত্রগা লম্বীগী শরুকশিং লন্নাইগী লম ওন্থোরকপনি। মখোয়গী মথক্তা লোগী ওইবা থবক লৌখৎপা ফাওবা য়াই। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি পার্কিং লৈজদবা, হান্না প্লান য়াওদনা শেমখিবা সিটি ওইবনা লম্বীগী মতাইদা পার্কিং ওইশিনবা তোকউ হায়বদা খুদোংচাদবা খরা মায়োক্লখিবা য়াই। হৌজিকমক্কী ওইনদি তঙাইফদবা অমা ওইনা য়ুংনা-য়ুংনা গাড়ী খামহনবগী মহুত্তা লেন অমদা ফৈনা গাড়ী পার্ক তৌহল্লগদি চখোক-চৎশিন্দা অপনবা থোকহন্দবা ঙমগনি। মরু ওইনা লম্বী খোপচিল্লগা লন্নাই মীওইশিংনা তৌনিংবা তৌরিবসিদি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মথৌ নীংথিনা তৌদবদগীনি হায়বা য়াই।

[illegible]

মৈতৈগী মূর্ত্তি শাবা অমসুং য়েক খোৎপা

ডা. এম টি অচৌ

মৈতৈ নাৎকী মচাকশিংগী মনুংদা মূর্ত্তি কলাগী থবক অসিসু মরু ওইবা মচল অমা ওইদুনা লাক্লি। লমদমসিদা মূর্ত্তি কলাগী থবকশিং অসি করম্বা মতমদগী হৌখিবগে হায়বগী মতাংদা হায়বা অরুবা ওই। অদুম্নদি ওইরগা শীনফম অসি ফনা ঙনবা মতমদগী পাঙথোক্লম্মী হায়বসি লৈনুংদগী ফংবা পোৎলম, লনাই মীওইশিংনা লীশিন্দুনা থম্লম্বা অরিবা খূৎই লাইরিক্লচিংবদা ইরম্বদগী খঙবা ঙম্মী।

লমদমসিদা মূর্ত্তি কলাগী থবক অসি থেঙলবদা মৈদিংঙু লোইয়ুম্বগী (খৃ. ১০৭৮-১১১২) মতমদা নীংথিনা চাউখৎলম্লে হায়না লৌবা য়ারে। মতম অসিদা লোয়শঙ লিংদুনা শীম্বারম্বগী ৱারোল 'লোয়ম্বা শিনয়েন' দগী খঙবা ঙম্মী। অদুম্মকপু মৈদিংঙু অসিগী মমাঙগী নিংথৌ মৈদিংঙু ইরেংবা (খৃ. ৯৮৪-১০৭৪) গী মতমদা কলা অসি চাউখৎলম্বগী মশক উবা ফংই। 'নিংথৌরোন লম্বুবা' দা মৈদিংঙু ইরেংবনা নোঙ্গারবদা মশাবী হাউরৈমা তমহৈবীনা মশাবীগী শক্তমবু মনাই কবুই হাউচোংনুংমুচাদা অহানবদা কুরাউ উনা শাহনববু মানফৎতদুনা মথংদা মনাই অদোন খোইরিশুম্বা কৌবা শীন্নাইবদা খোইরুনা মিতম শানবা থৌদববু খোইরু নীংথিনা ফংবা ঙমদবদগী হাউরৈমা তমহৈবীনা কোরিনা শারো হায়খি। মদুদা অদোন খোইরিশুম্বনা মৈদিংঙুগী শক্তমবু কোরিনা হৈদুনা য়াম্না মান্না শাখি। শক্তম অদু উবদা মথোৎ কারকপী কপ্পদা ইকায়দবী ইনখৎলক্লিবী লৈশোবীশিংসু কপখি, নুংশিবা খঙদ্রিবীশিংসু হায়বদি অঙাংশিংসু কপখি। হায়বদি শারিবা মিতম অদু য়াম্না মান্না শারে হায়বনি। মসিনা মৈদিংঙু অসিগী মতমদা কলা-মূর্ত্তিগী থবক অসি নীংথিনা চাউখৎলে লম অসিদা খূৎহৈবা কয়া লৈরম্লে হায়বদু ময়েক শেংনা অদুম্মক উৎলে।

অদুগা অমরোমদা অমুক 'তোৈরেরোল লম্বুবা' দদি হৈবা-শাবগী থবক অসি মৈদিংঙু খুইয়োই তোম্পোক (খৃ. ১৫৪-২৬৪) গী মতমদদি শঙলেন লিংদুনা চাউখৎলম্বগী ৱারোন ইবা থেংনৈ। লাইরিক অসিদা কংলৈগী মফম অমা শৈথারকপদা হায়রি-

> *লৈরায় মুংবিমা। শঙলেন মদায়মদি। মৈতৈলৈমা নোংমাইনু অহোংবী (মৈদিংঙু খুইয়োয় তোম্পোক্কী লৈমা)। মদাইরেম খোইনিং শঙলোইনাই। মালেম লৈরু মফম তৌ। খোইরু মীতম লাকপা। মৈবী তোংহুম চন্না। তরেৎ কোনফু চনবা শঙলেন য়ায়নে।*

মসিনা নিংথৌ অসিগী মতমসিদা কোইরুনা হান্না শক্তম লৌরগা ধাতুনা হৈদুনা কোল্লিরুচিংবা কয়া শারকখিবগী ৱারোল নীংথিনা পীরি।

ঙল্লিঙৈ মতমগী মণিপুরী সমাজদা চৎনরম্বা মূর্ত্তি কলাগী থবক্তি পুন্সি অমসুং মসিগা মরী লৈননা পাঙথোকপা ঈরাৎ থৌনি, লাইনিং লাইশোলশিংগা মরী লৈনৈ। হিন্দু লাইনিং চৎলবা মতুংদসু মূর্ত্তি কলাগী থবক অসি লাইনিংগা মরী লৈনরকই। পীরম্লিবা ৱারোলশিং অসিনা লমদম অসিদা য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী মশাগী লৌশিং শীজিন্নদুনা শীন অসি শূ-নোম্লক্লে হায়বা য়াম্না ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্মী। মৈদিংঙু চরাইরোংবগী (খৃ. ১৬১৭-১৭০৯) মতমদদি ধাতুনা শাবগী থবক অসিদা য়াম্না খুমাঙ চাউশিল্লে হায়বসি 'চৈথারোল কুম্বাবা' দগী অদুম্মক খঙবা ঙম্মী। অদুমকপু শীম্বা-শীল্লম অসি হেন্না খুমাঙ চাউশিল্লকখিবদি লমদম অসিদা হিন্দু লাইনিংনা লৈতারবা তানফম মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী (খৃ. ১৭০৯-১৭৪৮) মতমদনি। মতম অসিদা লাইনিংগা মরী লৈনবা মূর্ত্তি কয়াগী থবক্তা মরু ওইনা চাউখৎলকখি।

মৈতৈনা শারম্বা মূর্ত্তিশিং অসি লাইনিংগা মরী লৈনবা অমসুং লাইনিংগা মরী লৈনদবা হায়না চাউরাক্লা খায়দোকপা য়াই। শারকপা মতমদদি লমদমসিদা ফংবা পোৎলমশিংদগী হকপা শাবনচিংবা তৌই। খুদম ওইনা নুংপাক্তা হকপা নৎত্রগা নূংদগী হকথদুনা শাবা, উদগী হক্কুনা শাব, ধাতু মখল খরদগী হৈদুনা শাবা, লৈখোমনা শাবা, ঈরাৎ থৌনিগা মরী লৈননা খোইরুনা শাবা, অঙাংশিংগীদমক শান্নবা পোৎলমশিং অসিনচিংবা কোনশিল্লি।

উনা শাবা মূর্ত্তি ঃ- উদগী হক্কুনা শাবগী থবক অসি লমদমসিদা ফনা অঙনবা মতমদগী হৌরক্লম্বা য়াবগী ৱারোল ফংই। 'নিংথৌ চহী' কৌবা খূৎই লাইরিক্তা নোংদা লাইরেন পাখঙবগী (খৃ. ৩৩) মতমদা ''য়াংদৌবা য়াংদৌবী'' হায়না খঙনবা লাই নুপা-নুপী অনীগী শক্তম উদা হক্কুনা শারগা মতম ওন্নবগী খুদম ওইনা তানয়েশঙদা থমদুনা শীজিন্নবা হৌখিবগী ৱাফম থেংনৈ। অরিবা খূৎই লাইরিক 'হিজন-হিরাউ' দা হিয়াং হিরেন লুৱাং নিংথৌ পুনশিবগী মনাই নুংবান ৱাংমিৎখু খূৎহৈবা লুৱাং ৱাংমনাউ শিনহৈবা অনীনা লুৱাং মীয়ামগা লোয়ননা কৌবা ঈঙেল চীংদগী অচুম্বা অচৌবা উনিংথৌ অমা য়ানহল্লুরগা হিয়াং হিরেন শাখিবগী ৱারোল ইরি। মসিনা উদগী হক-খোৎতুনা শাবগী শীনফম অসিদা খূৎমাঙ চাউশিনবা অদু উবা ফংই। হায়রিবা মতম অসি খৃ.গী চহীচা ৭ শুবগী তম্ভায় খরা হেনবা অদুৱাইগী মতমনি। নিংথৌ অসিগী মতুংদসু হিয়াং হিরেন শাখিবগী ৱারোল কয়া থেংনরি। মৈদিংঙু ইরেংবগী (খৃ. ৯৮৪-১০৭৪) মতমদদি মূর্ত্তি শাবগী শিনফম অসি নীংথিনা চাউখৎলে হায়বসি 'নিংথৌরোল লম্বুবা' দগী খঙবা ঙম্মী।

মথং-মথং ওইনা ভাগ্যাচন্দ্র মহারাজগী মতমদদি শিনফম অসিদা নীংথিনা চাউখৎলকখিবগী খুদম ফংই। মহারাজ অসিগী মতমদা হিন্দু লাইনিংগা মরী লৈনবা লাই কয়া শারকখি। হায়রিবা মতম অসিদা কাইনা চীংদগী থৈবোং পাম্বী অমা য়াল্লুরগা মদুদগী শ্রীশ্রীগোবিন্দ, শ্রীশ্রী বিজয় গোবিন্দ, শ্রীশ্রী নিত্যাইন্দ প্রভুনচিংবা লাইশিং শাখিবগী ৱারোল ঐখোয়না খঙনরি। মতম অসিদা শারিবা মূর্ত্তিশিং অসি শাবগী নীয়ম হিন্দু শাস্ত্রদা ইরম্বা নীয়মগী মতুং ইন্না শাবনি। মসিদসু নত্তনা নিংথৌ অসিগী মতমদা হিন্দু লাইনিংগা মরী লৈনবা লাই কয়া শাখিবগী মশকসু ঐখোয়না খঙনরি। মসিনা মহারাজ অসিগী মতমদা উনা শাবা খোৎপগী থবক অসি নীংথিনা খুমাঙ চাউশিল্লে হায়বদু অদুম্মক তাকচরি।

মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহগী (খৃ. ১৮২৫-১৮৩৪) মতমদদি উনা শাবগী থবক অসি য়াম্না খুমাঙ চাউশিল্লে। নিংথৌ অসিগী মতমদা হৈবোক চীংদগী হৈনৌ পাম্বী অমা য়ান্দুনা শ্রীজগৎনাথ, বলভদ্রা, সুভদ্রা হায়রিবা হিন্দুগী ওইবা লাই অহুম অসি শাখি। মসিদসু নত্তনা কাংগী কাংখোঙনচিংবসু শাখি। লাইশিং অসি মপানগী খূৎহৈবনা শাবা ওইরবসু মতমদুদা কলা অসিগী লমদা নীংথিনা হৈশিংলবা মীওইশিংদি লৈরে।

কলা অসিগী থবক অসি অহানবা খোঙফমদদি লমদমসিগী লাই তীনগা মরী লৈনবা ওইনা হৌরক্লগা মথং-মথং ওইনা হিন্দু লাইনিং চঙলকপদগী হীরম অশোমদা হেন্না খুমাঙ চাউশিল্লকপগী মশক উই। হিন্দু লাইনিংগা মরী লৈনবা লাইশিংগী মূর্ত্তি কলাগী লমদা থোইদোকপা মশক অমা উবা ফংলকখি। থেঙথরক্লবা মতমদদি মৈতৈ খূৎনাইবশিংনা হিন্দু লাইনিংগা মরী লৈনবা লাইশিং লৈকাই খুলগী মন্দিরদা লাৎনরিবা রাধা কৃষ্ণনচিংবা শাস্ত্রগী নীয়ম 'নবতাল' হায়বদুগী মতুং ইন্না শাই। মতৌ অসুম্না নিংথৌ অসিগী মতুংদগীদি উনা শাবগী থবক অসিদা য়াম্না খুমাঙ চাউশিল্লকখি।

নূংনা শাবা মূর্ত্তি ঃ- মৈতৈশিংসু নুংপাক্তা মূর্ত্তি হকপা, নূংদগী হকথদুনা মূর্ত্তি শেম-শারম্মী। মরু ওইনা হিন্দু লাইনিংগা মরী লৈনবা মোংবহনগী হনুমানগী মূর্ত্তি অসি নূংদগী হকথদুনা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ মহারাজগী মতমদা শাখিবনি। ১৮ শুবা অমসুং ১৯ শুবা চহীচাগী মতমদগী হিন্দু লাইনিংগা মরী লৈননা নুংপাক মচা-মচাশিংদা তোংখৎহন্দুনা হকপা অমসুং নূং মচাদগী হক্কুনা শেম-শাবা লাইগী মূর্ত্তিশিং লাৎপা নীংবগা মরী লৈননা শেম শারকখি। মণিপুরদা ফংবা সেন্দ স্টৌনদগী (শুনু নূং) মন্দিরগী থোঙ শঙনবা গরুরগী মূর্ত্তি শাদুনা লৈকাই খুলগী মন্দিরদা থম্নবা শারম্বা ঙসি ফাওবা উবা ফংলি।

ধাতুনা শাবা ঃ- লমদমসিদা ধাতুনা শেম-শাবগী শিনফম অসি করম্বা মতমদগী হৌরক্কুনা চাউখৎলকখিবগে হায়বগী মতাংদা হায়বা অরুবা অমদি ওইরি। অদুমকপু মৈদিংঙু লোইয়ুম্বগী (খৃ. ১০৭৪-১১২২) মতমদগী অহৈবম শাগেনা ধাতুনা হৈবা শাবগী থবক তৌদুনা লাকখি হায়বগী মতাংদা ইরিবদি 'অহৈবম নঙদি পুখম নাসি হৈও'। অদুগা অমুকসু য়োংকী খূৎশু খূৎলাই শাবগী মতাংদদি 'থাংশপম নঙদি থাঙ শাও'। হায়না পল্লম্বা থেংনরি। মতাং অসিদা পনবা য়াবা অমদি মৈতৈশিংনা লুনা কিনা লাৎনরিবা খন্নাংবা অসি য়োংকী খূৎশু খূৎলাই শাবা, য়োংকা মরী লৈনবা শীনফম পায়রম্বগী ৱাফমসু থেংনরি। মসিদা য়োংকী শীনফম অসি মণিপুর ইতিহাসকী য়াম্না ঙনবা মতমদগী হৌনা পায়রক্লে হায়নসু লৌবা য়াই। মথক্তা পনখিবগুম্না মৈদিংঙু ইরেংবগী মতমদা ধাতুনা মূর্ত্তি শারম্বগী ৱারোল খঙনরি।

লাই-তীনগা মরী লৈননা উমংলাইশিংগী কোমায় ধাতুনা অঙনবা মতমদগী শাদুনা শীজিন্নরক্লি। গরিবনিৱাজ মহারাজগী মতমদা মমাঙথক্তা শীজিন্নরম্বা উমং লাই কয়াগী কোমায় থুগায়-য়ৈখায়খিবগী ৱারোল সনামহি লাইকনচিংবা লাইরিকশিংদা উরি। শাবগী মওংদি শাগদৌরিবা ধাতু অদু মনুংলোমদগী নুংথংনা ফুরগা মপাল্লোমদা তোংথোকহন্দুনা মায়গী শক্তম শাবনি। লৈনুংদগী ফংবা পোৎলমশিংগী মনুংদা কোক্কী শরু য়াওবা, কোক্কী শরুকপু ধাতুনা য়োমশিল্লগা মীগী মায়থোঙগুম্না হক খোৎতুনা শারম্বা মশকসু উবা ফংলি। অশিবগা মরী লৈননা কোক্কী শরুকপু য়োমশিনবা মতমদদি স্না শীজিন্নরম্মী। অঙনবা খূৎই লাইরিকশিংদা ধাতুনা শেম-শাবগী থবক অসি ইতিহাসকী ফনা ঙনবা মতমদগী লমদমসিদা তৌরক্লে হায়বদি মথক্কী ৱারোলশিং অসিনা তাকই।

লাইগী মূর্ত্তি হৈদুনা শাবা অসি মৈদিংঙু চরাইরোংবগী (খৃ. ১৬৯৭-১৭০৯) মতমদদি নীংথিনা চাউখৎলে। মৈদিংঙু অসিগী মতমদা পাম্থোইবী অমসুং লাইনিংথৌ স্নামহিগী মূর্ত্তি ধাতুনা শাখিবগী ৱারোল 'চৈথারোল কুম্বাবা' অমসুং 'স্নামহি লাইহুই' দা ইরি। অহানবা খোঙহৌদা লাই তীনগা মরী লৈননা ধাতু মপাক মচা-মচাবু অতোং-অকুৎ নাইহন্দুনা কোমায়নচিংবা শাবা ওইরবসু মথং-মথং ওইনা মূর্ত্তি শাবগী মশক লাকখি হায়না লৌবা য়াই। মসিদসু নত্তনা শেনজেং অমসুং পীগ্রাইনা চাইথশেল, অয়েবা, চীনগুপশেল, ক্লাগোকনচিংবসু মৈতৈ খূৎহৈবনা শানরমখি। লাইগী মূর্ত্তিদা নত্তনা নিংথৌগী মূর্ত্তিসু শারম্মী। গরীবনিৱাজ মহারাজ, চীংথংখোম্বা মহারাজ, অনন্তশাইনচিংবা নিংথৌশিংগী মূর্ত্তি শাখিবগী ৱারোল থেঙনরি।

সীমেন্ট (বিলাবতিমাতি) না মূর্ত্তি শাবগী থবক অসিদি য়াম্না থেঙথরক্লবা মতম হায়বদি অনীশুবা লাঞ্জাউ মতুংদগীনি। চূড়াচান্দ মহারাজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা লৈরিবা সার চূড়াচান্দগী মূর্ত্তি, রাজা দুমব্রাসিংহ হায়র সেকেন্দরি স্কুল কম্পাউন্দদা লৈরিবা রাজা দুমব্রাগী মূর্ত্তি, মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়মদা লৈরিবা, রাজকুমার শরোজনা শাবা ট্রাইবেল ফিগর খরগী মূর্ত্তিনচিংবা পনবা য়াই। মসিদসু নত্তনা অঙাংশিংনা শান্নবগীদমক মোরানবী হায়দুনা ফি মচেৎ-মকাইশিংনা লাইফদবীসু শাদুনা শীজিন্নবা উনরি।

মীয়ামগী খোল্লাও, মীয়ামগী ৱাকৎ, মীয়ামগী মত

থঙ্গাল, পাউনা, টিকেন্দ্রজিৎ অসিনচিংবা মরৈবাক নীংবশিংগী ৱাখল্লোনদা এম পি কাহন্নীংই

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

মণিপুরগী এম পি অনীগী ইলেক্সন অসিদা আউটর অমদি ইন্নরগী কেন্দিদেট খুদিংমক চৎলিবা মেগী তাং ২৩ অয়ুক্কী পুংফম ফাওবদি লোইনা কারি। নুমিৎসিগী নুংথিলদগী মরাইবক ফবা মীওই অনী কাবগা লোয়ননা, লৈ পরেং হুক্লগনি। কেন্দিদেট অতৈদি কুম্বগা লোয়ননা ময়ুম-ময়ুমদা, চুবা, খদাংদা মেৎতুনা চিন্তা তৌনদুনা, চাবা, তুম্বা য়াররোই। কাগদৌরিবা এম পিশিংনা হেক কাবা লাউথোকপগা, চহীদা লুপা ক্রোর ৫, চহী ৫ দা ক্রোর ২৫, চহী ১০ দা ক্রোর ৫০, বিল্ডিং মথোন, লন-থুম সম্পটি লেপশিনবা ৱাখলদা খনবা মীওই ওইবীদবা ঈশ্বরগী মফমদা খুরুমজরি। কাগদৌরিবা মীওইশিং অসিগী ৱাখল্লোন অসি থঙ্গাল জেনরেল, পাউনা ব্রজবাশি, টিকেন্দ্রজিৎ, ইরাবোৎ, ৱাণি গাইদেল্লিয়ু অসিনচিংবা অসিগী ৱাখল্লোন ওইহন্নীংই। হৌজিক হৌজিক মণিপুরগী এম পি মরিনি, তাং ২৩ দগীসু এম পি মরি ওইগদৌরিবনি।

য়ু পিগী মীশিংগা এম পি ৮০ গা মণিপুরগী মীশিংগা এম পি মরিগা চাংদম্নরবদি ষ্টেটসিগী এম পি মরি অসিনা মতীক-মগুণ হেনফম থোকই। মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচর অমদি স্পোটনা পৃথিবীদা ফাওরিবনি, লোয়ননা মণিপুরনা ভারতকী মিংচৎ পুরক্লিবনি। ষ্টেট অসিগী হিষ্টোরিকেল অমদি জিওগ্রাফিকেল ফেক্তরদা য়েংলুরবদি এম পি মরি অসিনা ভারতকী অতৈ ষ্টেটশিংদগী হেন্না চাকথুং লৌফম থোকপ্রা খন্নহন্নীংই। পাল্লিবা সরকার অসিগা এম পিশিংগা পাংদিং মান্নরবদি অতৈ ষ্টেটশিংদগী মণিপুরনা হেন্না চাউখৎফম থোকপনি। পৃথিবী লৈবাকশিংগী মনুংদা ভারতনা গনতন্ত্র চৎপা খ্বাইদগী চাউবা লৈবাক্লি হায়নরিবা ফজখ্রবা গনতন্ত্র, ইলেক্সন খুদিংগী, পঞ্চায়টতগী ম্যুনিসিপালিটি, দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল অসিনচিংবা কয়াদগী হৌরগা এম এল এ, এম পি ফাওবগী ইলেক্সন অসিদা শেঞ্জাউ পায়বনা, মণি পৱার, মসল পৱারনা ভোটরশিংবু লৈরগা কারকপগা সোসিয়েল মাইন্দেটতগী হৌরকপা, পৈশা তিংদনা কারকপগা খেন্নগনি হায়বসি প্রজা অয়াম্বনা খঙনরবসু পৈশা পায়বা কেন্দিদেটশিংনা ভোটকী মতমদা, ডোক্তরশিংবু পংথহল্লগা কারকপা অসিনা ফজখ্রবা গনতন্ত্র অসি মগুণ হন্থহল্লে। নুংঙাইবনা নুংঙাইখিবা, অৱাবনা ৱাখিবা, সমাজ অমা ওইবা তাবনি, লোয়ননা করপসনসু হন্থহনবা ঙম্লোই।

অদোমগী
থিংবাইজম ইতোবী সিংহ
তোপ অৱাং লৈকাই

ধর্ম্মগী ৱাংমদা

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

লৈবাক অমা ফনবা ঙাক-শেনবা হায়বসে লৈঙাকপগী য়াম্না চাউরবা থৌদাং অমা ওইবতা নত্তনা প্রজাগী য়াইফনবা খনবা লৈঙাকপা অমা ওইগী শক্তমসু লৌরিবনি। অদুগা অমরোমদা পীক্লেরা চাউগেরা ওইরিবা ওইরিবীশিংনা মচা-মশুশিংবু কদায়দা করি শোয়খিগদগে মাঙখিগদগে খনবদা ৱানরিঙৈ চৈরকসিদা মচা লমহেনবা, মশু ওক্তবা কয়া য়াউরক্তবদি নত্তে খঞ্জে। ৱাথোক লাম্থোক অশোয়বা কয়া য়াউরকপদদি লৈঙাক মপু য়ুমগী য়ুম্বুরেল হেক্তা চেন্নরকপা হায়বসে মহৌশানি খঞ্জে। ইচা-ইশু ওইবা কয়াগী মরক্তসু য়ুমদনা সাধু শাবা মপান থোকখ্রগা ডাকু-তরাং হেক্তা ওইরকপা কয়াসু য়াওনরিবনি। লৈঙাক মপুগীসু অদুমঙাই প্রজা কয়াগী মরক্তা ফত্তবা অমা য়াউরক্লগা ঙাইহাক্তা পোথাবা ফংহন্দবা, ঐ ঐগী লৈমীন্নরিবা থবক পুনমিন্নরিবা কয়াগী মরক্তসু পুক শেপ্পকপা কয়া য়াউরম্লোই হায়নীংঙাই লৈতে খঞ্জে। অদুগা মানা-মানা পায়খিবা, মায়কৈ শলাদা, তৌখি তৌখিবা থবক থৌরম কয়াদসু সিমদি য়েংবদা পেল্লে ফজরে হায়নবা ৱাহৈ পংয়াম য়ামদ্রিবরা খল্লি। লোইবীদ্রে, শেম্বীদ্রে খবর, রেডিও, টি ভিদা। অমরোমদা কংলাপার্ক পরিংদা মীয়ামগী অৱাবা ঙাইহাক পোথাফম ওইনবা থম্বীরিবা সোফাগুম্বা ফম্নবা খরা অসিদি অচৎ-অওক্কী ওইনদি ঙাইহাক অৱা পোথাবদা কয়াদা নুংঙাইজবা হায়বদু ওইখরে খল্লি। মসিগীদমক্তি লৈঙাক মপুবু থাগৎচরি। অমরোমদদি ইনখৎলক্লিবা, ইনখৎলক্লিবী কয়াগী মফমদদি ওন্থোক্লা নুংঙাইজবা ইরুজনীংবগা থোঙ্গা তেকপগা চপ মান্নখ্রে হায়না খঞ্জে। লাইরিক তম্বা তমদবা অয়ুক-নুংথিল নুমিদাং ফাওবা মতম লেনফম ওইরকপা লৈশা-পাখঙ কয়া য়ুম্বাল্লবা-য়ুম্বাল্লবী কয়াগী কেনা ওইনফম, মঙাওথীবা কয়াগী মওং-মতৌ উরুবদা, য়েংবদা নুংঙাইতবা কয়াসু য়াওদবা নত্তে।

মসিগী মওংদি লৈঙাক্লা থৌদাবা য়াবদা কুপ্পা অমুক্তং য়েংশিনহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লরকপা য়াওনরক্লি লম্বী চৎপদা। অমরোমদা মসিদা য়াম্না লুরিবনা য়ুমগী মপী-মপা ওইরিবা ঐখোয়না ইচা-ইশুবু অমবু ওইরো অমদবু ওইরো চখোক-চৎশিন্দা য়ুমদগী মপান থোকখিবা, হঞ্জিল্লকপদা, থেংবা, ঙনবা, য়েংবীরগা কুপ্পা য়েংশিনবীবগী মতম হেল্লবরা খঞ্জে। ইচা ইশু নুংশিবগী চাংনা হেন, ৱারক ৱাতেম্বগী চাংনা ৱাৎপনা ঙাওশিন্নবগী চাংসু হেনগৎলকই হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই খঞ্জে। থায়নদি অহলশিং, নুপী ওইরো নুপা ওইরো মতম খজিক থেংনা হঞ্জিল্লকপদা ফমেলদা ফমদুনা তোংজৈ পায়না মচা-মশুশিংবু ৱারক ৱাতেম্নরম্মী। মদুনা ব্যবহার লৈনা কিনা অঙাংশিংনা চৎনরম্মী তাজৈ। হৌজিক মতমগীদি কদায় মানা-মানা থোকপা পংচৎতা চৎনরে। অহল-লমননা ঙাংদে-চৈদে হায়দুনা অসুম ঙাওশিন্নবা হেঞ্জিল্লক্কুনা ওক্তবা লিচৎ শাজৎ চৎলক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মরম অদুনা অহল-লমন ওইবা ঐখোয়গীসু থৌদাং য়াম্না লৈব্রা খঞ্জে। অদুগা করিগুম্বা অমরোমদা পেন্দবা নুংঙাইনদবা খরগীদমক পোৎ-চৈদা তাইনবা স্কুল মৈ থাবা, মীগী ময়ুম থুদেকপা থাবা কয়া চৎনবী অমগুম তৌনরক্লিবা অসিবু অফবনি হায়না লৌগদ্রা? ধর্ম্মগী ৱাংমদা চথবা ফৎত্রবা থবকনি লৌরোইদ্রা? পূম্নমকসে অমগা অমগা ৱাতান্নরগা অচুম-অরান শেংদোক্লরগা নুংশি চান্নবনা অফবা ওইগনি খঞ্জে। অদুগা অমুক মহৈ তম্লিবা তম্লিবীশিংসু ওজা-গুরুবু মীরাইফম থোক্তে। ওজা গুরু হায়বসে ঐবু পোকপা ইমা-ইপাগী অনীশুবা ইমা-ইপানি হায়নরিবনি। ইমা-ইপানা ৱারকপা ওজা-গুরুনা হৈসনু শিংসনু ৱারকপদা মচানা শাউফম থোক্তবরা খল্লি। ইমা-ইপাবু পুক্লৌ-পারৌবা ওজা-গুরুবু ৱারৌবা য়েক্লবগু খন্নরবদি ধর্ম্মগী ৱাংমদা চৎপগা মান্নদ্রা? ৱাখল লৌশিং তম্নফম ময়ুম স্কুলবু মৈ থাবা হায়বসে ইশানা ঐ ঐনা তৌরুবা থৌরমদুগী মহৈদু অফবা লম্বীদা লমজিংলিবা ওজানা কৈদৌঙৈদা ঐখোয়বু ফত্তবা তৌরু হায়না থাক্লক্লোই নিংজে। অদুনা থৌদোক ৱাথোক কয়াসে খবর কাগজ কয়াদগী তাজরগা পূক্লীংদা নুংশিবা ফাউরোইদবা য়াওরক্লোই। অমরোমদা থৱায় হাপফম ওইরিবা স্কুলবু মৈ থাবা হায়বসে ইশাগী হকচাং মৈ থাজবগা চপ মান্নবরা খল্লি। অদুনা হকচাং লৈত্রবদি থৱায়দি ঙাওদুনা চৎখিবা তাবনি লৈফম লৈতবনা। মসিনা কনাদা মাংজৈ ইহৈ তম্লিবা তম্লিবী মমা-মপা, লমদমদুগী মিংচৎ থীবা অমাংবা হায়বদু ওইগনি খঞ্জে। অমবু ওইরে অমবু ওইরো ঐখোয় মশেন অমগা অমগা ধর্ম্মগী ৱাংমদা চৎতনবা ৱাখল তান্নদুনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরগা ঈং-তম্লা ইরম অমা ওইহনবদা মতেং পাঙমিন্নদুনা পূক্লীং শান্তি ওইহনসি।

অদোমগী
তবানু খুরাইজম
ৱাংখৈ অঙোম লৈকাই